# সনালৈবাক স্পোর্টস






*ইন্দিয়ান সুপর লীগকী টাইটল ফংবা ঙমখ্রবা তামিল নাদুগী ক্লব চেন্নাইন এফসিগী নৌনা গোলকিপিংগী কোচ ওইখ্রবা ইংলেন্দ মচা কেভিন হিটচকোক*

*স্পেনগী মকোক থোংবা ক্লব বার্সেলোনাদগী ইটালিগী চেম্পিয়ন ক্লব জুবেন্টসতা নৌনা সাইন তৌখ্রবা মশাগী চহী ১৬ তা ঙাইরিবা স্পেনগী ষ্ট্রাইকর পাব্লো মোরেনো*




## ইন্দিয়ানা য়ুএসএ মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙনবগী প্লে ওফ ফংনবা হোৎনগদৌরি, জর্মনিনা স্পেনবু ৩–১ দা থোইরম্লগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

*লন্দন, জুলাই ২৮ঃ*

ইংলেন্দনা য়ুম্মু ওইরগা শান্নরিবা হোক্কি ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপকী হয়েং শান্নগদবা মেটচতা ইনিদয়াগী নুপীগী হোক্কি টিম্না য়ুএসএবু মায়থিবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেল প্লে ওফ য়ৌনবা হোৎনগদৌরি, পুল 'সি' গী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা জর্মনিনা স্পেনবু ৩–১ দা থোইরম্লগা পুলগী মকোক ওইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে।

হোক্কি ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপ অসিদা ইন্দিয়ানা পুল 'বি' দা শরুক য়াদুনা অহানবা মেটচ য়ুম্মু ইংলেন্দগা শান্নবদা পাঞ্জল ১–১ দা ড্রো চৎখি। অদুগা অনীশুবা মেটচতনা আয়রলেন্দগী মখূত্তা পাঞ্জল ০–১ দা মায়থিহৌদুনা ক্বার্টর ফাইনেল দাইরেক্ত য়ৌবা য়াবগী লম্বেল থুপচিনখিবনি।

হোক্কি ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপ অসিগী নিয়মগী মতুংইন্না পুলগী মকোক ওইবা টিমশিং অদুনা দাইরেক্ত ক্বার্টর ফাইনেলগী মফম কনবা ঙমগদৌরিবনি। অদুগা পুলশিং অসিদা অনীশুবা অমসুং অহুমশুবা পোজিসন তাহৌবা টিমশিং অদুনা টিম ২। ২ খাইদোক্তুনা প্লে ওফ শান্নহল্লবা মতুং মায় পাকপা টিম অদুনা ক্বার্টর ফাইনেল অমুক শান্নগদৌরিবনি।

ইন্দিয়াগী টিম অসিনা হয়েং য়ুএসএগা শান্নগদৌরিবা পুলগী অরোইবা মেটচ অসি ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌনবগী প্লে ওফ শান্নবা ফংনবা মায় পাক্কবা য়াদবা মেটচ অমা ওইরি। করিগুম্বা মায়থিহৌবা তারগদি ৱার্ল্ড কপ অসিদগী মপান থোরক্লগনি।

হোক্কি ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপ অসিগী ঙসি শান্নখিবা পুল 'সি' গী মেটচ অমদা জর্মনিনা স্পেনবু পাঞ্জল ৩–১ দা মায়থিবা পীদুনা পুলগী মকোক ওইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ৫শুবা মিনটতা জর্মনিগী শান্নরোইশিংনা পেনাল্টি কোর্নর অমদা এন্নে স্ক্রোদরনা চনবা ঙমদুনা মাঙজিল থাখি।

মতম খরা টিম অনীগী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঞ্জল লৈনরুদ্রবা মতুং শান্নবগী ৩০শুবা মিনটতা স্পেনগী শান্নরোইশিংনা ফংখিবা পেনাল্টি কোর্নর অমদা টিম অদুগী শান্নরোই মারিয়া লোপেজনা পাঞ্জল অমা চনশিনদুনা ১–১ দা মান্নদুনা লৈখ্রবা মতুং অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপা মেটচকী ৩৭শুবা মিনটতা জর্মনিগী শান্নরোইশিংনা চথ্বরকখিবা এটেক অমদা সেলিন ওরুজনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমগা চনশিনদুনা স্পেনবু অমুক হন্না ২–১ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

পাঞ্জল অমা মাঙজিল থাদুনা চৎলিবা জর্মনিগী শান্নরোইশিংনা শান্নবগী ৪০শুবা মিনটতা মখা তানা চথ্বরকখিবা এটেক অমদা পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু ভিক্তোরিয়া হ্যুজনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা স্পেনবু ৩–১ দা হেন্দুনা মায় পাকপগী লম্বেল নকশিল্লকখি।

মেটচকী লেমহৌবা মিনট ২০ লোম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা শান্নরক্লবসু মখা তাবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নখিদবদগী মেটচ অদু জর্মনিনা স্পেনবু পাঞ্জল ৩–১ দা থোইদুনা পোইন্ট ৯ ফংলগা পুল অসিগী মকোক ওইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

হোক্কি ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপ অসিগী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা পুল 'এ' গী মেটচ অমদা ইটালিনা কোরিয়াবু পাঞ্জল ১–০ দা মায়থিবা পীখি। টিম অনীনা শান্নখিবা মেটচ অদু য়াম্না লম্বা মান্নখিবদগী অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমখিদে।

মেটচকী ৬০শুবা মিনটতা ইটালিগী শান্নরোইশিংনা চথ্বরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই ভেলেন্টিনা ব্রাকোনিনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মেটচ অদু মায় পাকখিবনি।



*হোক্কি ৱুমেন্স ৱার্ল্ড কপকী মেটচ অমদা জর্মনি অমসুং স্পেনগী শান্নরোইশিংনা বোল মুন্নবা*

## লা লীগা ৱার্ল্ডগী মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী ক্লব কেলরা ব্লাষ্টর্স এফসিবু স্পেনগী ক্লব জিরোনা এফসিনা পাঞ্জল ৫–০ দা মায়থিবা পীখ্রে

*কোচি, জুলাই ২৮ঃ*

কেরলাগী সিটি কোচিদা পাঙথোক্লিবা টোয়োটা য়ারিস লা লীগা ৱার্ল্ডগী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী ক্লব কেরলা ব্লাষ্টর্স এফসিবু স্পেনগী ক্লব জিরোনা এফসিনা পাঞ্জল ৫–০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

কেরলা ব্লাষ্টর্স এফসি অমসুং জিরোনা এফসিনা ঙসি কোচিদা শান্নখিবা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ হৌরকপদা টিম অনীমক য়াম্না লম্বা মান্ননা শান্নরকখি।

শান্নবগী ১৫ শুবা মিনটতা জিরোনা এফসিগী শান্নরোইশিংনা চথ্বরকখিবা এটেক অমদা জিরোগী শান্নরোই ৱাইহোননা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী পেনাল্টি বোক্স মনুংদা পীরকপা পাস অমা টিমমেট কেভিন সোনিনা নীংথিনা ফাবা ঙমহৌদবদগী পাঞ্জল মাঙজিল থারম্বা য়াবা তাঞ্জা অমা জিরোনা এফসিনা মাঙজখি।

মখা তানা শান্নরকপদা জিরোনা এফসিনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবগী চাং ৱাং খ্রবসু পাঞ্জল চনশিনবা ঙমদনা লৈখি। শান্নবগী ৩৬শুবা মিনটতা জিরোনা এফসিনা ফংখিবা কোর্নর অমদা পেদ্রো পোরোনা কাউশিল্লকপদা সোট অমা কেরলা ব্লাষ্টর্সকী গোলকিপর নভিন কুমারনা ফাবা ঙমখি।

শান্নবগী ৪২শুবা মিনটতা জিরোনা এফসিগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চথ্বরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী শান্নরোই ইরিক মোন্টেসনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা কেরলা ব্লাষ্টর্সপু ১–০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা স্পেনগী ক্লব জিরোনা এফসিনা ইন্দিয়াগী ক্লব কেরলা ব্লাষ্টর্সপু লাকশিন্দুনা শান্নবা হৌরকখি। কেরলা ব্লাষ্টর্সকী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈরিঙৈ শান্নবগী ৫৩শুবা মিনটতা জিরোনা এফসিগী এটেক অমদা পেদ্রো পোরোনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা কেরলা ব্লাষ্টর্সপু ২–০ দা হেন্দুনা চৎখি।

পাঞ্জল অনী মাঙজিলথাদুনা চৎলিবা স্পেনগী ক্লব জিরোনা এফসিনা ইন্দিয়াগী ক্লব কেরলা ব্লাষ্টর্সকী মায়কৈদা বোল হেন্না পুশিন্দুনা এটেক মরী–মরী চথ্বদুনা শান্নবা হৌরকখি।

শান্নবগী ৫৬শুবা মিনটতা জিরোনা এফসিগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চথ্বরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী কেপ্টেন গ্রানেলনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা কেরলা ব্লাষ্টর্সপু ৩–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

মতম খরা টিম অনীগী মায়কৈদগী মখা তাবা পাঞ্জল লৈনরুদ্রবা মতুং শান্নবগী ৭৬শুবা মিনটতা জিরোনা এফসিগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা বেনিটেজ কারাভেলানা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা কেরলা ব্লাষ্টর্সপু খূৎ হনবা ঙম্লোইদবা মওংদা পাঞ্জল ৪–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

শান্নবগী ৮৯শুবা মিনটতা জিরোনা এফসিনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা এলেক্স গার্সিয়ানা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু স্পেনগী ক্লব জিরোনা এসিনা ইনিদয়াগী ক্লব কেরলা ব্লাষ্টর্সপু পাঞ্জল ৫–০ দা মায়থিবা পীখি।




*জিরোনা এফসিগী শান্নরোইশিংনা কেরলা ব্লাষ্টর্স এফসিবু মায়থিবা পীরবা মতুং হরাওনা ফিল্ডদগী থোরকপা*

## নুপাগী সিঙ্গলসতা ইন্দিয়াগী সৌরভ বর্ম ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে রোহন কাপুর অমসুং কুহু গর্গসু মিক্স দবলসকী ফাইনেল চঙখ্রে

*ভলাদিভোষ্টোক, জুলাই ২৮ঃ*

রুশিয়াগী সিটি ভলাদিভোষ্টোক্তা চথ্বরিবা য়ুএস দোলর ৭৫,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা রুশিয়ান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী সৌরব বর্ম নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে, ইন্দিয়াগী মিক্স দবলসকী পেয়র রোহন কাপুর অমসুং কুহু গর্গসু টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসকী কাঙলুপ্তা ফাইনেল চঙখ্রে।

রুশিয়ান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা ৮শুবা সিদেদ শান্নরোই ইন্দিয়াগী সৌরব বর্মনা অতোপ্পা ইনিদয়াগী শান্নরোই মিথুন মাঞ্জুনাথপু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১–৯, ২১–১৫ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী সৌরব বর্মনা ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা জপানগী কোকি ৱাটানবেনা ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা টুর্নামেন্ট অসিগী য়ুম্মু লৈবাক রুশিয়াগী ২শুবা সিদেদ শান্নরোই ব্লাদিমির মালকোভপু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১২, ২১–১৬ দা থোইরম্বনি।

রুশিয়ান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা জপানগী সিওরি ইবিহারা অমসুং মালেসিয়াগী হো য়েন মৈগা লম্বা তৌনরগনি।

জপানগী সিওরি ইবিহারানা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী সেমি ফাইনেল মেটচতা য়ুএসএগী আইরিস ৱাংবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ২১–১৬, ১৯–২১, ২২–২০ দা মায়থিবা পীরম্লগা ফাইনেল চঙলকপনি।

অমরোমদা জপানগী সিওরি ইবিহারাগী ফাইনেলদা লম্বা ওইগদৌরিবী মালেসিয়াগী হো য়েন মৈনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা ৪শুবা সিদেদ শান্নরোই জর্মনিগী ভোনি লিবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১৭, ২১–১৫ দা থোইরম্বনি।

রুশিয়ান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী মিক্স দবলসকী ফাইনেলদা ২শুবা সিদেদ পেয়র ইন্দিয়াগী রোহন কাপুর অমসুং কুহু গর্গনা রুশিয়াগী ব্লাদিমির ইভানোভ অমসুং সাউথ কোরিয়াগী কিম মিন কিয়ুংগা লম্বা তৌনরগনি।

ইন্দিয়াগী রোহন কাপুর অমসুং কুহু গর্গনা ঙসি শান্নখিবা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা মালেসিয়াগী চেন টাং জি অমসুং পেক য়েন ৱৈবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ২১–১৯, ১১–২১, ২২–২০ দা থোইরম্লগা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

অমরোমদা রুশিয়াগী ব্লাদিমির ইভানোভ অমসুং সাউথ কোরিয়াগী কিম মিন কিয়ুংনা ঙসি শান্নখিবা মখোয়গী সেমি ফাইনেল মেটচতা অহানবা সিদেদ পেয়র রুশিয়াগী ইভজেনি দ্রেমিন অমসুং ইভজেরিয়া দিমোভাবু ষ্ট্রেট গেম অনীদা ২১–১৮, ২১–১৫ দা থোইরম্বনি।

রুশিয়ান ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা ২শুবা সিদেদ পেয়র রুশিয়াগী কোন্সটেনটিন অব্রামোভ অমসুং আলেকজেন্দর জিনচেনকোনা মালেসিয়াগী পেয়র অব্দুল লটিফ অমসুং মোহমদ আয়ুবকা লম্বা তৌনরগনি।

রুশিয়াগী কোন্সটেনটিন অব্রামোভ অমসুং আলেকজেন্দর জিনচেনকোনা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী পেয়র অরুন জোর্জ অমসুং সানিয়াম সুক্লাবু ২১–১৫, ২১–১৯ দা থোইরম্বনি।

অমরোমদা মালেসিয়াগী পেয়র অব্দুল লটিফ অমসুং মোহমদ আয়ুবনা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা অহানবা সিদেদ পেয়র রুশিয়াগী ব্লাদিমির ইভানোভ অমসুং ইভান সোজোনোভবু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ১৬–২১, ২১–১৯, ২১–১৯ দা থোইরম্বনি।

নুপীগী দবলসকী ফাইনেলদা অহানবা সিদেদ পেয়র মালেসিয়াগী চৌ মৈ কুৱান অমসুং লি মেং য়িননা জপানগী পেয়র চিসাটো হোসি অমসুং কিয়ে নাকানিসিগা লম্বা তৌনরগনি।

মালেসিয়াগী চৌ মৈ কুৱান অমসুং লি মেং য়িননা ঙসি শান্নখিবা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা অতোপ্পা মালেসিয়াগী পেয়র লিম চিয়ু সিয়েন অমসুং টান সু জিয়ৌবু ২১–১৯, ২৩–২১ দা থোইরম্বনি।

অদুগা জপানগী পেয়র চিসাটো হোসি অমসুং কিয়ে নাকানিসিনা ঙসি শান্নখিবা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা অতোপ্পা জপানগী পেয়র অকানে আরাকি অমসুং রিকো ওমাইবু ২২–২০, ২১–১৪ দা থোইরম্বনি।



*রুশিয়া ওপনগী নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল য়ৌখ্রবা ইন্দিয়াগী সৌরব বর্ম*

## য়ুএসএনা কানাদাবু মেটচ ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা ৱার্ল্ড জুনিয়র স্কৱাস চেম্পিয়ন্সিপকী সেমি ফাইনেলদা ইংলেন্দগা শান্নরগনি

*চেন্নাই, জুলাই ২৮ঃ*

তামিল নাদুগী কোনুং চেন্নাইদা চথ্বরিবা নুপাগী ৱার্ল্ড জুনিয়র স্কৱাস চেম্পিয়ন্সিপকী ঙরাং অথেংবদা ক্বার্টর ফাইনেল টাই অমদা য়ুএসএনা কানাদাবু মেটচ ২–১ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেলদা ইংলেন্দগা লম্বা তৌনরগনি।

য়ুএসএ অমসুং কানাদাগী টাই অদুগী অহানবা মেটচতা কানাদাগী শান্নরোই জেমস ফ্লিননা য়ুএসএগী টিবরবু ৮–১১, ৮–১১, ১১–২, ১১–৬, ১১–৬ তা থোইদুনা মেটচ অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা মেটচতা কানাদাগী জুলিয়েন গোসেটনা অহানবা গেম অনী ১১–৮, ১১–৫ দা থোইদুনা মাঙজিল থাখি। অহুমশুবা গেম অদুনা য়ুএসএগী দেলুম মাউজিনা ১১–১০ দা মাঙজিল থারবা মতুং কানাদাগী জুলিয়েন গোসেট শোকপনা মরম ওইরগা মখা তানা শান্নবা ঙমখিবদগী মেটচ অদু য়ুএসএগী দেলুম মাউজিনা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল টাই অদু মেটচ ১–১ দা মান্নখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং মেটচ অদুদা য়ুএসএগী থোমাস রোসিনিনা কানাদাগী জোর্জ ক্রাউনবু ১১–৯, ১–১১, ১১–৫, ১২–১০ দা থোইদুনা টাই অদু মেটচ ২–১ দা থোইদুনা য়ুএসএগী টিম সেমি ফাইনেল চঙখি।

য়ুএসএগা সেমি ফাইনেলদা লম্বা তৌগদৌরিবা ইংলেন্দনা মখোয়গী ক্বার্টর ফাইনেল টাইদা মমাঙগী চেম্পিয়ন পাকিস্থানবু মেটচ ২–১ দা থোইরম্বনি।

ক্বার্টর ফাইনেল টাই অদুগী অহানবা মেটচতা ইংলেন্দগী জেমস ৱিয়াটনা পাকিস্থানগী মুহমদ উজেরবু ৮–১১, ১১–২, ১১–২, ৮–১১, ১১–২ দা থোইদুনা মেটচ অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা মেটচ অদুসু ইংলেন্দগী শান্নরোই নিকোলাস ৱালনা পাকিস্থানগী অবাস জেববু ১১–৯, ১১–৬, ৭–১১, ১১–৬ তা থোইদুনা মেটচ ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

অহুমশুবা অমদি অরোইবা মেটচ অদুদা পাকিস্থানগী হরিস ক্বাসিসনা ইংলেন্দগী সামুয়েল টোদ্দপু ১২–১০, ১১–৯, ১১–৯ দা মায়থিবা পীবা ঙমখ্রবসু টাই অদু ইংলেন্দনা পাকিস্থানবু মেটচ ২–১ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল চঙখি।

ৱার্ল্ড জুনিয়র স্কৱাস চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী অতোপ্পা সেমি ফাইনেল মেটচতা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান ইজিপ্ত অমসুং জেক রিপব্লিক লম্বা তৌনরগনি।

ইজিপ্তনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল টাই অমদা হোং কোংবু মেটচ ৩–০ দা মায়থিবা পীরম্বনি। টাই অদুগী অহানবা মেটচতা ইজিপ্তকী মোসটাফা অসালনা হোং কোংগী চান চি হোবু ১১–৩, ১১–৯, ১১–৫ দা থোইদুনা মেটচ অমা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

অনীশুবা মেটচ অদুসু ইজিপ্তকী মারৱান টারেকনা হোং কোংগী চুং য়াট লোংবু ১১–৭, ১১–৪, ১১–৬ দা থোইদুনা মেটচ ২–০ দা মাঙজিল থাখ্রবা মতুং অহুমশুবা মেটচ অদুসু ইজিপ্তকী মোসটাফা ইল সেরটিনা হোং কোংগী টো ৱাই লোকপু ১১–৫, ১১–৯ দা থোইদুনা ক্বার্টর ফাইনেল টাই অদু ইজিপ্তনা হোং কোংবু মেটচ ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌখি।

ইজিপ্তকা সেমি ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবা জেক রিপব্লিক্কা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল টাই অমদা মখোয়দগী হেন্না থাক ৱাংলিবা মালেসিয়াবু মেটচ ২–০ দা মায়থিবা পীরম্লগা সেমি ফাইনেল চঙলকপনি।



*য়ুএসএ অমসুং কানাদানা শান্নখিবা ৱার্ল্ড জুনিয়র স্কৱাস চেম্পিয়ন্সিপকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ*

## ইন্দিয়াগী এথলিট হিমা দাস অমসুং নিরজ চোপ্রা কোন্টিনেন্টেল কপ্তা শরুক য়ারগনি

*ন্যু দিল্লি, জুলাই ২৮ঃ*

চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ৮ দগী ৯ ফাওবা জেক রিপব্লিক্কী সিটি ওষ্ট্রাভাদা পাঙথোক্কদৌরিবা আইএএএফ কোন্টিনেন্টেল কপ্তা অতোপ্পা এথলিট ৫ গা লোয়ননা ইন্দিয়াগী হিমা দাস অমসুং নিরজ চোপ্রা শরুক য়ারগনি।

কোন্টিনেন্টেল কপ অসি কুমজা ২০১০ দা অহানবা ওইনা লিংখৎখিবনি। চহী ৪ / ৪ লৈরগা পাঙথোকপা কম্পিটিসন অসিদা কোন্টিনেন্ট ৪ দগী লাকপা এথলিটশিংনা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

কোন্টিনেন্ট ৪ অদুদি অফ্রিকা, অমেরিকা, এসিয়ান–পেসিফিক অমসুং য়ুরোপনি।

হৌজিক–হৌজিক লৈরিবা আইএএএফ রেঙ্কিংগী মতুংইন্না কোন্টিনেন্টেল কপ অসিদা শরুক য়াগদবা ইন্দিয়াগী এথলিটশিং অদুদি নিরজ চোপ্রা (জেবলিন), হিমা দাস (মিটর ৪০০ গী লমজেল), মুহমদ অনাস (মিটর ৪০০গী লমজেল), পি য়ু চিত্রা (১৫০০গী লমজেল), সুধা সিংহ (৩০০০ ষ্টিপ্ললচেজ), জিন্সন জেন্সন (মিটর ৪০০ গী লমজেল), অরপিন্দর সিংহ (ত্রিপল জম্প) নি। ইন্দিয়াগী এথলিটশিং অসিনা এসিয়া পেসিফিকতা শরুক য়াগনি।

## আর্জেন্টিনাগী লিওনার্দো মেয়র জর্মন ওপন টেন্নিসকী নুপাগী সিঙ্গলসকী ফাইনেল য়ৌখ্রে

*বর্লিন, জুলাই ২৮ঃ*

আর্জেন্টিনাগী শান্নরোই লিওনার্দো মেয়র ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচ মায় পাক্কুনা জর্মনিগী কোনুং বর্লিনদা পাঙথোক্লিবা জর্মন ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলসতা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল মেটচতা আর্জেন্টিনাগী লিওনার্দো মেয়রনা স্লোভাকিয়াগী জোজেফ কোভালিকপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং সেট ২–১ দা থোইরম্বনি।

সেমি ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা সেট টাই ব্রেক্কা স্লোভাকিয়াগী কোভালিকনা ৭–৬(৮–৬) তা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা শোথ্বরবা আর্জেন্টিনাগী মেয়রনা য়াম্না ফজনা শান্নরক্তুনা মখা তাবা সেট অনী ৬–৪, ৭–৬(৯–৭) দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলসকী ফাইনেলদা ওষ্ট্রিয়াগী ওলিভর মারাক অমসুং ক্রোএসিয়াগী মাটে পেভিসনা চিলিগী জে পেরাল্টা অমসুং আর্জেন্টিনাগী ঐচ জেবালোসকা শান্নরগনি।

মারাক অমসুং পেভিসনা মখোয়গী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেলদা ওষ্ট্রেলিয়াগী দেনিয়েল অমসুং নেদরলেন্দসকী কুলহোফপু ২–৬, ৬–৪, ১০–৭ দা থোইরম্বনি। অদুগা পেরাল্টা অমসুং জেবালোসনা মখোয়গী সেমি ফাইনেলদা জপানগী মেকলাচলান অমসুং জর্মনিগী জে এল ষ্ট্রুফপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা তৌনরবা মতুং ৪–৬, ৭–৫, ১০–৭ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

